

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, SUNDAY, MARCH 04, 2018 **PAGE 7**

*ওষ্ট্রেলিয়াগী কোন্স হার্বরদা পাঙথোকপা ন্যু সাউথ ৱেল্স ওপন ৱুমেন্স গোল্ফ টুর্নামেন্টকী অহুমশুবা রাউন্দ লোইশিল্লকপদা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংগী মরক্তগী খ্বাইদগী ফজবা ওল্লিবী অমনদিপ দ্রাল*

*শ্রী লঙ্কাদা শান্নগদৌরিবা নিদহাস ট্রোফি ট্রাই সেরিজ ক্রিকেট টুর্নামেন্টতা মমাঙগী থাদা খুৎশা শোকপদগী ফবা ঙমদ্রিবা টুর্নামেন্ট অসিদা য়াওবা ঙম্লোইদৌরিবা বাংলাদেশকী ওল রাউন্দর সাকিব অল হাসন*



## অদবানিনা লুচিংবা ইন্দিয়াগী স্নুকর টিম্না পাকিস্তানগী টিম্বু মায়থিবা পীদুনা অহানবা স্নুকর টিম ৱার্ল্ড কপকী টাইটল লৌবা ঙমখ্রে

*দোহা, মার্চ ০৩ঃ*
এসিয়াগী লৈবাক কাটারনা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোকপা অহৌবা ইন্টরনেসনেল বিলিয়র্দস এন্দ স্নুকর ফেদরেসনগী মখাদা শান্নখিবা স্নুকর টিম ৱার্ল্ড কপকী ফাইনেলদা পঙ্কজ অদবানিনা লুচিংবা ইন্দিয়াগী টিম্না পাকিস্তানবু মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।



পাকিস্তানবু মায়থিবা পীদুনা স্নুকর ৱার্ল্ড কপ টিমগী টাইটল ফংখ্রবা ইন্দিয়াগী অদবানি (য়েৎ) অমসুং মানন

ইন্দিয়াগী টিম লুচিংখিবা স্নুকরগী ৱার্ল্ড টাইটল কয়া লৌবা ঙমখ্রবা পঙ্কজ অদবানি অমদি মানন চন্দ্রননা দোহাদা পাঙথোকখিবা স্নুকর টিম ৱার্ল্ড কপ অদুগী ফাইনেল মেটচতা শোথরম্বদগী ফজবা ঙল্লক্তুনা পাকিস্তানবু মায়থিবা পীখিবনি।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা স্নুকর টিম ৱার্ল্ড কপ অদুগী ফাইনেল মেটচ অদ ফ্রেম ৫ গী লম্বা ওইখিবনি। অহৌবা ফ্রেম অনী পাকিস্তানগী টিম্না ইন্দিয়াগী টিম অদুবু মায়থিবা পীরম্লবা মতুং অহুমশুবা ফ্রেম অদুসু শোথদুনা লৈরম্বদগী ইন্দিয়াগী মানন চন্দ্রননা ফজরকপদগী ফ্রেম অদু ইন্দিয়ানা থোইরবা মতুং মখা তাবা ফ্রেম অনী অমসু থোইবা ঙল্লগা স্নুকর টিম ৱার্ল্ড কপ অদুগী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

পাকিস্তানগী টিম্না ফ্রেম ৫ গী ফাইনেল অদুদা অহানবা ফ্রেম অনী থোইদুনা মাঙজিল থাখি। অহানবা ফ্রেম অদু পাকিস্তানগী শান্নরোই মাসিনা ইন্দিয়াগী চন্দ্রনবু ৭৩–২৪ দা থোইখি।

মখা তারকপা অনীশুবা ফ্রেমদা ৱার্ল্ড টাইটল কয়া লৌবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী পঙ্কজ অদবানিবু পাকিস্তানগী মোহমদ অসিপনা ৬১–৫৬ তা থোইদুনা ফ্রেম অনী হেন্দুনা লৈখিবনি।

অহুমশুবা ফ্রেমদা ইন্দিয়াগী মানন চন্দ্রননা পঙ্কজ অদবানিগা পুল্লগা শান্নখিবা দবলসকী লম্বা অদুদা পাকিস্তানগী মখূত্তা পোইন্ট ০–৩ দা শোথদুনা লৈখি। অদুবু ইন্দিয়াগী মানন চন্দ্রননা য়াম্না ফজবা পোইন্ট ৩৯ গী ব্রেক অমা শেল্লগা শোথরম্বা পোইন্টশিং অদু ফুক্কৎপা ঙমখিবদা নত্তনা ফ্রেম অদু অদবানিনা লোইশিনদুনা পোইন্ট ৭২–৪৭ দা থোইদুনা ফাইনেল অদুদা পাকিস্তানগী ফ্রেম ২ অদুগা ইন্দিয়াগী ফ্রেম ১ লৈখি।

দবলসকী ফ্রেম অদু ইন্দিয়ানা থোইখ্রবা মতুং রিভর্স সিঙ্গলস ফ্রেম অনীদা ইন্দিয়াগী পঙ্কজ অদবানি অমসুং মানন চন্দ্রননা মায় পাকপদগী ফাইনেল অদুদা পাকিস্তানবু ফ্রেম ৩–২ দা থোইরগা চেম্পিয়ন ওইখিবনি।

## সুল্টান অজলান সাহা হোক্কি টুর্নামেন্টকী অহানবা মেটচতা ইন্দিয়া আর্জেন্টিনাগী মখূত্তা পাঞ্জল ২–৩ দা মায়থিখ্রে

*ইপো, মার্চ ০৩ঃ*
মালেসিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা লৈবাক অদুগী সিটি ইপোদা ঙসি ২৭শুবা সুল্টান অজলান সাহা কপ হোক্কি টুর্নামেন্টকী অহৌবা মেটচতা ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কি টিম ওলিম্পিক চেম্পিয়ন আর্জেন্টিনাগী মখূত্তা পাঞ্জল ২–৩ দা মায়থিখ্রে।




সুল্টান অজলান সাহা হোক্কি টুর্নামেন্টকী অহৌবা মেটচতা আর্জেন্টিনাগী মখূত্তা মায়থিহৌরবা ইন্দিয়াগী টিম

আর্জেন্টিনাগী মায়কৈদগী চনখিবা পাঞ্জল ৩ মক ড্রেগ ফ্লিকর (পেনাল্টি কোর্নর স্পিসিয়েলিষ্ট) গোঞ্জালো পৈলাটনা চন্দুনা হেটট্রিক ফংখিবনি।

মেটচ অদুগী অহানবা ক্বার্টরদা ২০১৬ রিও ওলিম্পিক গেমসকী চেম্পিয়ন আর্জেন্টিনাগী মায়কৈদগী চথরকখিবা এটেক অমদা ইন্দিয়াগী পেনাল্টি এরিয়া মনুংদা ইন্দিয়াগী দিফেন্দরশিংনা চৎন–পথাপকী ৱাংমদা বোল মুন্নবা হোৎনরুবগী পেনাল্টি কোর্নর অমা আর্জেন্টিনানা ফংখি।

খুদোংচাবা অদু টিম অদুগী ড্রেগ ফ্লিকর গোঞ্জালো পৈলাটনা পাঞ্জল ওইহন্দুনা ইন্দিয়াবু ১–০ দা মাঙজিল থারবা অহানবা ক্বার্টর অদু লোইশিনখি।

ইন্দিয়াগী টিম অসি য়াম্না মরুওইবা শান্নরোই ৭ পোথাহল্লগা অনৌবা শান্নরোইশিং শেমগৎনবগী পান্দমদা ২৭শুবা সুল্টান অজলান সাহা হোক্কি টুর্নামেন্ট অদু শরুক য়ারকপনি।

এক্সরিয়েন্স ৱাংলবা নহা ওইরিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিং অদুগী খুদোংচাবা লৌরগা আর্জেন্টিনানা মখা তানা পুশিল্লকপা বোল অমা পেনাল্টি কোর্নর ফংদুনা শান্নবগী ২৩শুবা মিনটতা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা আর্জেন্টিনাগী গোঞ্জালো পৈলাটনা অমুক্কা হন্না পাঞ্জল চন্দুনা ইন্দিয়াবু ২–০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

গোঞ্জালো পৈলাটকী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনখ্রবা মতুং মিনট ১ গী মনুংদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী পুখৎলকখিবা এটেক অমদা পেনাল্টি কোর্নর অমা ফংদুনা নহা ওইরিবা ড্রেগ ফ্লিকর অমিত রোহিদাসনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা অনীশুবা ক্বার্টর অদু লোইশিল্লকপদা আর্জেন্টিনাগী পাঞ্জল ২ অদুগা ইন্দিয়াগী পাঞ্জল ১ লৈখি।

সুল্টান অজলান সাহা কপ হোক্কি টুর্নামেন্ট অদুগী অহানবা মেটচকী ইন্দিয়া অমসুং আর্জেন্টিনাগী লম্বা অদুদা অনীশুবা হাল্ফ অদুদা মশান্না অসিগী চৎন–পথাপকী মতুং ইন্না অহুমশুবা ক্বার্টরগী অহৌবা মিনট ২ দা ইন্দিয়াগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা ড্রেগ ফ্লিকর রোহিদাসনা অমুক্কা ফংখিবা পেনাল্টি কোর্নর অমগী খুদোংচাবা অদু পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ইক্বেলাইজর অদু লৈখি।

আর্জেন্টিনাগী শান্নরোইশিংনা অহুমশুবা ক্বার্টর অদুগী ৩৩শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী রোহিদাসনা চনখিবা ইক্বেলাইজর অদুগী থংনবা মিনটতা টিম অদুগী পাঞ্জল অনী চনবা ঙমখ্রবা গোঞ্জালো পৈলাটনা পেনাল্টি কোর্নর অমগী খুদোংচাবা অদু পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ইন্দিয়াবু ৩–২ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখিবনি।

মখা তাবা মেটচকী লেমহৌবা মতম অদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী টলৱিন্দর সিংহনা ইক্বেলাইজর ফংবা য়াবা তাঞ্জা অমা মাঙজখিবদগী টুর্নামেন্ট অদুগী অহানবা মেটচ আর্জেন্টিনানা ইন্দিয়াবু পাঞ্জল ৩–২ দা থোইখি।

## ইন্দিয়াগী বজ্রঙ পুনিয়া অমসুং ভিনোদ কুমার ব্রোঞ্জ মেডল ফংখ্রে

*বিসকেক, মার্চ ০৩ঃ*
কিরগিষ্টানগী সিটি বিসকেকতা চথরিবা এসিয়ান রেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী নুপাগী রেষ্টলর বজ্রঙ পুনিয়া অমসুং ভিনোদ কুমারনা ব্রোঞ্জ মেডল ২ ফংখ্রে।



নুপাগী কেজি ৬৫ গী ফ্রি ষ্টাইল ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী বজ্রঙ পুনিয়ানা ইরানগী য়োনেস এলিয়াকবারবু মায়থিবা পীদুনা ব্রোঞ্জ মেডল অদু ফংখিবনি। হায়রিবা বাওট অদুদা পুনিয়াবু ইন্দিয়াগী রেষ্টলর অদুনা ঙন্না পোইন্ট ২–০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

অদুবু ব্রেক য়ৌরমদাইনা ইন্দিয়াগী পুনিয়ানা পোইন্ট ২ মখা তানা ফংবা ঙম্বদগী ইরানগী রেষ্টলর অদুগা পোইন্ট ২–২ দা মান্নদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ অদুদা ইরানগী রেষ্টলর আলিয়াকবারনা পোইন্ট ২ মখা তানা হাপচিনখি। অদুবু শান্নবগী লোইরমদাইনা ইন্দিয়াগী পুনিয়ানা অথুবা মতমদা পোইন্ট ৮ লৌবা ঙম্বদগী ১০–৪ দা হেন্দুনা ব্রোঞ্জ মেডল অদু ফংখিবনি।

পনবা য়াই ইন্দিয়াগী বজ্রঙ পুনিয়ানা ব্রোঞ্জ মেডল মেটচ অদুগী য়ৌনবগী লম্বাদা টাজিকিষ্টানগী রেষ্টলর অব্দুল কোসিমবু মায়থিবা পীরম্বনি।

নুপাগী কেজি ৭০ গী ফ্রি ষ্টাইল ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী রেষ্টলর ভিনোদ কুমারনা এসিয়ান রেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী য়ুম্বু লৈবাক কিরগিষ্টানগী ইলামান দোগদুরবেক উলুবু মায়থিবা পীদুনা ব্রোঞ্জ মেডল ফংখি।

বাওট অদুগী হৌরকপদা য়ুম্বু লৈবাক অদুগী রেষ্টলর ইলামান উলুনা ভিনোদ কুমারদগী পোইন্ট অমা হেন্দুনা চৎখি। অদুবু ব্রেক্কী মতুংদা ভিনোদনা পোইন্ট অমা হাপচিল্লগা মান্ননা লৈখ্রবা মতুং কিরগিষ্টানগী উলুনা মখা তানা পোইন্ট ২ লৌরগা ৩–১ দা লৈখি।

অরোইবা সেকেন্দ ১০ দা ঙাইরবা মতমদা ভিনোদনা পোইন্ট ২ ফংবা মুভ অমা তৌখিবদগী ৩–৩ দা লৈনখ্রবসু রেফরিশিংনা ভিনোদতা বাওট অদু পীখিবদগী ব্রোঞ্জ ফংখিবনি।

## ৱার্ল্ড ইন্দোর এঠলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপ্তা আইভোরি কোষ্টকী মিঁরৈলি আহোরিনা মিটর ৬০ গী নুপীগী লমজেলদা অনৌবা রেকোর্দ অমা থমখ্রে

*বিরমিঙঘাম, মার্চ ০৩ঃ*
ইংলেন্দগী সিটি বিরমিঙঘামদা পাঙথোকপা ৱার্ল্ড ইন্দোর চেম্পিয়ন্সিপকী ঙরাং অথেংবদা পাঙথোকখিবা নুপীগী মিটর ৬০ গী লমজেলদা আইভোরি কোষ্টকী মুরৈলি অহোরেনা অনৌবা ৱার্ল্ড রেকোর্দ অমা থম্বগা লোয়নননা গোল্ড মেডল ফংখ্রে।




ৱার্ল্ড ইন্দোর চেম্পিয়ন্সিপ্তা নুপীগী মিটর ৬০ গী লমজেলদা ৱার্ল্ড রেকোর্দ থম্বা ঙমখ্রবী আইভোরি কোষ্টকী আহোরি (য়েৎ)

ৱার্ল্ড ইন্দোর এঠলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী নুপীগী মিটর ৬০ গী লমজেল অদুদা সেকেন্দ ৬.৯৭ চেল্লগা আইভোরি কোষ্টকী এঠলিট মুরৈলে আহোরেনা অনৌবা ৱার্ল্ড রেকোর্দ অমা থম্বগা লোয়নননা ইভেন্ট অদুগী গোল্ড মেডল ফংখিবনি।

আইভোরি কোষ্টকী অতোপ্পা এঠলিট মারি জোসি টালৌনা ইভেন্ট অদুমক্তদা সেকেন্দ ৭.০৫ চেল্লগা সিলভর মেডল অদু ফংখি। মহাক্না স্বিজরলেন্দগী এঠলিট মুজিনগা কামবুঞ্জিদগী শুপ্নগী সেকেন্দ অমগী শরুক লিশিং অমা থোকপগী শরুক ৫ হেল্লগা ফংখিবনি।

আইভোরি কোষ্টকী আহোরি অমসুং মেরি জোসিনা নুপীগী মিটর ৬০ গী লমজেল অদুদা শরুক য়ারকপদা অহানবা অমদি অনীশুবা পোজিসন ফংখিবা অদু হন্দক্কী অসিনা অহানবা ওইরি।

নুপীগী পেন্টাথোলোন ইভেন্টতা বৃটেনগী কেটারিনা জেনসন থোমসননা পুন্না পোইন্ট ৪৭৫০ ফংলগা মহাক্কী অহানবা ৱার্ল্ড টাইটল অদু লৌখিবনি। মহাক্না মিটর ৬০ গী হর্দল লমজেলদা সেকেন্দ ৮.৩৬, হাই জম্পতা মিটর ১.৯১, সোট পুটতা মিটর ১২.৬৮, লোং জম্পতা মিটর ৬.৫০ চোংলগা মিটর ৮০০ গী লমজেলদা চৎলিবা সিজন অসিগী খ্বাইদগী ফজবা মতম ওইদুনা মিনট ২ঃ১৬.৬৩ দা লৈদুনা গোল্ড ফংখিবনি। ইভেন্ট অদুগী সিলভর মেডল অদুনা ওষ্ট্রিয়াগী ইভোনা দাদিকনা কেটরিনাদগী পোইন্ট ৫০ খক হন্থরগা ৪৭০০ ফংদুনা লৌখি। অদুগা ব্রোঞ্জ অদুনা ক্যুবাগী য়োরগেলিসনা পোইন্ট ৪৬৩৭ ফংদুনা লৌখি।

## নেদরলেন্দসকী রোজর্স অমসুং রোমানিয়াগী টেকাউনা ইন্দিয়াগী পেস অমসুং য়ুএসগী সেরেটানিবু থোইদুনা দুবাই ওপন নুপাগী দবলস টাইটল লৌখ্রে

DUBAI DUTY FREE TENNIS CHAMPIONSHIPS

*দুবাই, মার্চ ০৩ঃ*
য়ুএইগী সিটি দুবাইদা পাঙথোকপা দুবাই দ্যুতি ফ্রি এটিপি টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী দবলসকী ফাইনেলদা নেদরলেন্দসকী জেজে রোজর্স অমসুং রোমানিয়াগী ঐচ টেকাউনা ইন্দিয়াগী লিয়েন্দর পেস অমসুং য়ুএসএগী জেমস সেরেটানিবু মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌখ্রে।




দুবাই ওপন টেন্নিসকী নুপাগী দবলসকী টাইটল ফংখ্রবা নেদরলেন্দসকী রোজর্স অমসুং রোমানিয়াগী টেকাউ

নুপাগী দবলসকী ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেট অদু টুর্নামেন্ট অসিগী ২শুবা সিদেদ ওইরিবা রোজর্স অমসুং টেকাউনা ইন্দিয়াগী পেস অমসুং য়ুএসকী সেরেটানিগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬–২ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা সেট অদুদা ইন্দিয়া অমসুং য়ুএসকী পেয়র অদুগী মায়কৈদগী ফজবা মশান্না উৎপা ঙমখ্রবসু রোজর্স অমসুং টেকাউনা টাই ব্রেক্তা ৭–৬(৭–২) দা মায়থিবা পীদুনা দুবাই ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

দুবাই ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৩শুবা সিদেদ স্পেনগী রোবার্টো বোটিষ্টা আগুট অমসুং ২শুবা সিদেদ ফ্রান্সকী লুকাস পোলিনা ঙসি অথেংবদা লম্বা তৌনগনি।

স্পেনগী বোটিষ্টা আগুটনা মহাক্কী সেমি ফাইনেলদা টুনিসিয়াগী মালেক জাজিরিবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬–৩, ৬–৪ দা থোইরমখি। অদুগা ফ্রান্সকী লুকাস পোলিনা মহাক্কী সেমি ফাইনেল মেটচতা সর্ভিয়াগী ফিলিপ ক্রাজিনোভিসপু য়াম্না অকনবা লম্বা অমদা ৬–৩, ৭–৬(৭–৪), ৭–৬(৭–৫) দা থোইরম্বনি।

নাকল অমরোমদা মেক্সিকোদা পাঙথোকপা মেক্সিকো ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৫শুবা সিদেদ সাউথ অফ্রিকাগী কেবিন এন্দরসননা ৬শুবা সিদেদ শান্নরোই জুৱান মার্টিন দেল পোত্রোগা লম্বা তৌনরগনি।

সাউথ অফ্রিকাগী কেবিন এন্দরসননা মহাক্কী সেমি ফাইনেলদা য়ুএসএগী জারেদ ডোনাল্ডসনবু ৬–৪, ৪–৬, ৬–৩ দা থোইরমখি। অদুগা আর্জেন্টিনাগী দেল পোত্রোনা মহাক্কী সেমি ফাইনেলদা ২শুবা সিদেদ জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেভপু য়াম্না কোম্না ৬–৪, ৬–২ দা থোইরমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা স্বিজরলেন্দগী ষ্টেফানি ভোগেলি অমসুং য়ুক্রেনগী লেসিয়া সুরেনকো লম্বা তৌনরগনি।

## ইংলেন্দনা ন্যু জিলেন্দবু ৩শুবা ৱান দে মেটচতা রন ৪ দা মায়থিবা পীখ্রে

*ৱিলিংটন, মার্চ ০৩ঃ*
ন্যু জিলেন্দ অমসং ইংলেন্দনা ঙসি ন্যু জিলেন্দগী সিটি ৱিলিংটনদা লৈবা ৱেষ্টপেক ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ৩শুবা ৱান দে মেটচতা ইংলেন্দনা রন ৪ দা থোইখ্রে।




মেটচ অদুগী টোস ন্যু জিলেন্দনা ঙমদুনা বোল্লিং হান্না তৌখি। মদুদা ইংলেন্দগী টিম্না ওভর ৫০ দা ৱিকেট ১০ মক তুরগা রন ২৩৪ লৌবা ঙমখি।

ইংলেন্দগী ইন্নিংস অদুদা ওপনর ওইখিবা জেসন রোয় অমসুং জোনি বার্ষ্টোনা মথংশিংনা রন ১৫ অমসুং ১৯ লৌখি। টিম অদুগী ওইনা কেপ্টেন ওইখিবা ইয়োন মোর্গাননা রন ৪৮ লৌদুনা খ্বাইদগী য়াম্বা রন ওইখি। মোর্গানা বোল ৭১ দা সিক্স ১ অমসুং ফোর ৩ য়ৈখি।

মহাকপু চাউনা মতেং পাঙখিবা বেন ষ্টোক্সনা বোল ৭৩ দা রন ৩৯ লৌবা ঙমখি। ইংলেন্দগী ইন্নিংস অদু ন্যু জিলেন্দগী বোলরশিংনা নিংথিনা লাকশিনবা ঙমখিবদগী রন লৌবগী চাং অদু হন্থখিবনি।

অতোপ্পা ইংলেন্দগী বেটসমেনশিংগী মায়কৈদগী শিংথাবা য়াবা স্কোর তৌখিবশিং অদুদি রন ২৯ লৌখিবা জোস বটলর অমসুং রন ২৩ লৌখিবা মোইন আলিনি। ন্যু জিলেন্দগী মায়কৈদগী বোল্লর ইস সোধিনা ৱিকেট ৩ লৌবা ঙমখিবা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি।

ন্যু জিলেন্দনা মায় পাক্নবগীদমক রন ২৩৫ গী টার্গেট অদু লৌনবা হোৎনরকপদা কেপ্টেন কেন ৱিলিয়মসননা আওট ওইদনা সেঞ্চুরি লৌবা ঙমখ্রবসু মেটচ অদু ইংলেন্দনা রন ৪ দা মায়থিবা পীখি।

ন্যু জিলেন্দগী ওপনর কোলিন মুনরোগী রন ৪৮ লোয়নননা মিচেল সান্টনরগী রন ৪১ না মপুং ওইরগা কেপ্টেন কেন ৱিলিয়মসননা আওট ওইদনা বোল ১৪৩ দা সিক্স ২ অমসুং ফোর ৬ য়ৈদুনা রন ১১২ দা লৈখ্রবসু মায়থিবদগী কনবা ঙমখিদে। ন্যু জিলেন্দগী অতোপ্পা বেটসমেন অমত্তা রন ১০ লৌবা ঙমখিদবনি।

ইংলেন্দগী মায়কৈদগী বোল্লর মোইন আলিনা ৱিকেট ৩ লৌদুনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি। মহাকপু মেটচ অদু ন্যু জিলেন্দবু থোইনবা হোৎনবদা চাউনা মতেং পীখিবা বোল্লর অনী অদুদি ৱিকেট ২ /২ লৌখিবা খৃস ৱোক্স অমসুং অদিল রসিদনি।